**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16.03.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ১৬-০৩-২০২৪,থাংজা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাঙোম কিরননা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোক্লে, মথং থাগী ১৯ দগী হৌরগা তাঙ্কক ৭ থোকা ভোট থাদনগনি।

২) মনিপুরগী ওইনা এপ্রিল ১৯ অমসুং ২৬ তা তাঙ্কক অনি থোকা লোক সভা মীখলগী ভোট থাদনরগনি।

৩) অন্দামান্দ অমসুং নিকোবর ইথৎতা চৎকদবা পাউমীশিংগী কাংবু অমা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি ইম্ফালদগী লমথাখ্রে।

৪) **লমতাই থাংজাগী শরোই** খাংবগী থৌরম মহৌশাগী চৎনবি অমসুং লাইনিং লাইশোনগী থৌরমগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

**অমসুং**

৫) কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফ্যারস মন্ত্রি অরজন্ মুন্দানা হায়রি -লৈবাক অসিগী নিংতম লানদা শরুক য়াখিবা ত্রাইবেল লুচিংবশিংগী পুন্সি ৱারি কুপথানা থীজিনবা অমদি নৈনবগী তঙাইফদবা লৈ।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**মীখলঃ** ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়ানা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোক্লে। মীখল অসি মথং থাগী ১৯ দগী হৌরগা তাঙ্কক ৭ থোকা পাঙথোক্কনি।

ন্যু দিল্লিদা চিফ ইলেক্সন কম্মীস্নর রাজিপ কুমারনা ঙসি মীখলগী মতম অদু লাউথোক্লদুনা হায়- মীখল অসিগী ভোট মশিং জন্ ৪ দা থীগনি। মসিগা লোয়ননা রাজ্য মরিগী বিধান সভা মীখলশিংগী মতমশিংসু লাউথোক্লে। অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং উরিষা বিধান সভা মীখলনা মে ১৩ দা পাঙথোক্কনি। অরুনাচল প্রদেশ অমসুং সিক্কিম বিধান সভা মীখলনা এপ্রিল ১৯ দা পাঙথোক্কনি। মহাকা হায়- লোক সভা মীখল অসিদা ভোতর কোতি ৯৭ না পোল্লিং ষ্টেসন লাখ ১০ হেনবদা ভোট থাদনগনি। মসিদা নৌনা ভোতর চল্লবা নহা কোতি ১ লাখ ৮২ না অহানবা ওইনা ভোট থাদগনি। চহি ৮৫ কী মথক্তা লৈরবা অহল ওইরবা ভোতরশিং অমদি হকচাংগী ফীভম মীমান্নদ্রবা ভোতরশিং য়ুমদগী ভোট থাদবা য়াহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে।

লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্ককী নোতিফিকেসন থা অসিগী ১৮ দা থোক্কনি। অনিশুবা ফেসকী মীখলগী নোতিফিকেসন থা অসিগী ১৯ দা, অহুম শুবা ফেসকীনা থা অসিগী ২৮ দা অমসুং মরিশুবা ফেসকী মীখলগী নোতিফিকেসননা এপ্রিল অনিদা থোক্কনি। ৫ শুবা ফেসকীনা এপ্রিল ১০ দা , ৬ শুবা ফেসকীনা এপ্রিল ১৬ তা অমসুং ৭ শুবা অমদি অরোইবা ফেসকীনা এপ্রিল ২২ দা নোতিফিকেসন থোক্কনি।

মনিপুরগী চিফ ইলেক্তোরেল ওফিসর প্রদিপ কুমার ঝানা ঙসি নুংথিল ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা লোক সভা মীখলগী মনিপুরগী মতমশিং লাউথোক্লদুনা হায়-

**--সাউন্দ প্রদিপ**

মনিপুরগী লোক সভা কেন্দ্র অনিমক্তা তাঙ্কক অনিথোকা ভোট থাদনগনি । অহানবা তাঙ্কক্তা মথং থাগী ১৯ দা ভোট থাদনগনি । অদুগা অনিশুবা তাঙ্কক্তনা মথং থাগী ২৬ তা ভোট থাদনগনি। অহানবা তাঙ্কক্তা জিরিবাম নত্তনা তম্পাক্কী বিধান সভা কেন্দ্র পুমমক অমসুং চীংগী বিধান সভা কেন্দ্র ৮ দা ভোট থাদনগনি। অনিশুবা তাঙ্কক্তা জিরিবাম অমসুং চীংগী লেমহৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ১২ দা ভোট থাদনগনি। পাউদম অমা --

--সাউন্দ অমুখোম্বা--

**থৌবাল(এল)ঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোকখিবগা লোয়ননা থৌবাল জিলাগী ওইনা ঙসি জিলা অসিগী দিস্ত্রিক মেজিস্ত্রেদ অহন্থেম সুবাসনা শান্তি রক্সাগী ফীভম হন্না য়েংশিনখ্রে ।

মীখল অসি নিয়ম চুমা অমসুং মায় পাকনা পাঙথোকপা য়ান্নবগীদমক দারকার লৈবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌরে। জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা নোংমৈগী লাসেন্স পায়বা মীওইশিংনা মনাক নকপা পুসিল ষ্টেসনশিংদা নোংমৈশিং অদু থা অসিগী ২৩ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্কদবনি হায়রি। মসিগা লোয়ননা নৌনা নোংমৈগী লাইসেন্স লৌন্নবা দারকাস থাবা অমসুং প্রোসে তৌবা খুদিংমক খুদক্তগী অথিংবা থম্লে হায়রি। কনাগুম্বশিংনা মখোয়গী নোংমৈ অদু পীখৎপদা খুদোংচাদবা লৈরবদি থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা মরিক চুম্বা ৱারোলগা লোয়ননা অইবা চেরোল পীশিল্লকবসু চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

কাংপোকপী জিলাগী ওইনসু জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা লাইসেন্স য়াওবা নোংমৈ পায়বা মীওইশিংনা মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনশিংদা নোংমৈশিং অদু পীখৎলকবা হায়রি। জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ত্রেদ মহেশ চৌধরিনা থোকপা হুকুম অমদা ৱাফম অসি খঙহল্লকপনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ত্রেদ টি.ঐচ কিরন কুমারনা থোকপা হুকুম অমদা, জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা লাইসেন্স য়াওবা নোংমৈ পায়বা মীওইশিংনা মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনশিংদা মখোয়গী নোংমৈশিং অদু পীখৎলকবা খঙহল্লি।

**জিরিঃ** লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোকখিবগা লোয়ননা জিরিবাম জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসরশিং অমসুং মখোয়গী ষ্টাফশিং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা খুদক্তা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লি। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মীস্নর কৃষ্ণকুমারনা থোকপা হুকুম অমনা হায়- মীখলগী থবক থৌরমশিং লোইদ্রিবা ফাওবা কর্ম্মচারি অমত্তনা ছুতি লৌবা য়াররোই। ৱাফমশিং অসি থৌওইদবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়রি।

**সিএম(এল)ঃ** অন্দামান্দ অমসুং নিকোবর ইথৎতা চৎকদবা পাউমীশিংগী কাংবু অমা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি ইম্ফালদগী লমথাখ্রে। নুপীশিংনা মশিং য়াম্বা পাউমীশিংগী টুর প্রোগ্রাম অমদু ওল মনিপুর ৱার্কিং জরনেলিস্ত যুনিয়ন (অমজ)না শিন্দুনা চৎপনি।

লম থাবগী থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ইং লিশিং ১৮৯১ গী এঙ্গোল মনিপুরি লানদা ঐখোয়গী অথৌবা ইপা ইপু কয়া বৃটিশনা ফারগা মতম অদুদা কালাপানি হায়না খঙনবা অন্দামান্দ অমসুং নিকোবর ইথৎতা লোয় থাখি। অদুগুম্বা অথৌবা ইপা ইপুশিং অদুবু লোই থাখিবা মফম অদুদা মনিপুরগী পাউমী কাংবু অমনা চৎলিবা অসি পুকিংদা য়ামা নুংঙাইবা অমদি চাউথোকচাবা পোকই।

মহাকা হায়- হান্না মাউন্ট হেরিয়েট হায়না খঙনরম্বা ইপা ইপুশিং অদুনা লোইগী অৱাবা চৈথেং কয়া খাংখিবা মফম অদুগা মনিপুরগী পুৱারিগা লৈনরিবা মরী অদু শকখঙবিদুনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা মাউন্ত মনিপুর হায়না নৌনা মমীং থোনবিখিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ সি.এম--**

পাউমীশিংগী কাংবু অদু ঙসি অহিং কোলকত্তাদা লৈরবা মতুংদা হয়েং জাহাস তোংদুনা পোর্ট ব্লেয়র তমা চৎকনি। মখোয়না থা অসিগী ২০ দা পোর্ট ব্লেয়রদা থুংগনি। মথংগী নুমিৎতা মাউন্ট মনিপুর নেসনেল পার্ক্তা চৎকনি। মখোয়না মফম অদুদা লৈবা মহাত্মা গান্দি মেরিন নেসনেল পার্ক অমসুং জোলি বোই আইলেন্দসু চৎকনি। থা অসিগী ২২ দনা বরাতাং আইলেন্দা লৈবা লাইমস্তোন শুরুং অমসুং রোস এন্দ স্মীথ আইলেন্দসু চৎকনি। মার্চ ২৩ দনা মাউন্ট মনিপুরদা অমজন্না শিন্দুনা অন্দামান্দা চৎপা খোংচৎকী চহি ২০ শরুকপগী নিংশিং থৌরম পাঙথোক্কনি।

**প্রোগ্রাম(এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুনা লেপ্তুনা পুথোকচরিবা থৌরম ঈগী খোংগুল লিবগী মরি শুবা তাঙ্কক্তা - অসামগী জারিবোন্দগী খুল খরগী মপাও হায়বা থৌরম অমা হয়েং অয়ুক পুং ৬ মিনিত ৪০ দা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি য়ুত্যাব চেনেল অকাশবানি ইম্ফালদসু লাইব স্ত্রিমিং তৌগনি।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

**লমতা থাংজা(এল)ঃ** **লমতাই থাংজাগী শরোই** খাংবগী থৌরম মহৌশাগী চৎনবি অমসুং লাইনিং লাইশোনগী থৌরমগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি সনামহি টেম্পল বোর্দনা শিন্দুনা মায়কৈ মরী ঙাকপিরিবা পুং ৪ -তেরা ৱাংথোনবি পুংদগী হৌরগা খুরাই অহোং পুং, কোংবা শৌদোং পুং অমদি ককৱা লমতাই পুং ফাওবা চৎতুনা ইরাৎ থৌনি পাঙথোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এল.এস.টি.বিগী মাইবা লোইশঙগী শংঙাকপা সালাম মণি লুৱাংনা হায়- কক্ৱা লমতাই পুংদা পাঙথোকপা ইরাৎ থৌনিদা লৈবাক অসিগী অফবা খুদম চাংদম ফংবা ঙম্মী। থৌরম অসি খোয়ুম লাইয়মশিংনা তাইবং মীওইবশিংদা তাহল্লক্কদবা অৱা অনাদগী ঙাকথোকবা পাঙথোকপনি।

**খোংজং(এল)ঃ** থা অসিগী ১৪ দা তমেংলোং জিলাগী মকুৱাই খুলদা নুপীশিংনা খোংজং চংশিল্লীঙৈদা অসাম রাইফলসনা নোংমৈ কাপখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি জিলা অসিগী মফম খরদা মীয়ামা খোংজং চংশিনখ্রে।

খোংজং অদু জিলা অসিগী মকুৱাই ইম্পাকাং, চারিনাপাং, চিকাও, ইনপানিংদি, থীয়ুলোন অমদি চমরাম খুলশিংদা চত্থখি।

**এ.আর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী ৱামখু ভিলেজ এরিয়াদা ঙরাং থীবা হুন্বগী থবক চত্থবদা গাড়ি অমদা হাপ্তুনা পুরকপা লুপা লাখ ৩ লিশিং২৪ রোমগী যুঙাং বোট্টল লিশিং ২,১৬০ ফাগৎপা ঙল্লে। ফাগৎলবা পোৎলমশিং তেংনৌপাল পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে। অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা ওপরেসন সদভবনা প্রোজেক্টকী মখাদা কামজোং জিলাগী তাঙ্খুল হুংদুং খুলেন্দ ভিলেজতা শাখিবা নুপীশিংগী কৈথেল শঙ ঙরাং খুৎশিন্নখ্রে।

**ওবিট(এল)ঃ** যুনিভার্সিতি ওফ সনামহি কলচরগী ফাউন্দর চিয়রমেন অমসুং সেলোইদ লংমাইচিং (নোংমাইচিং)দা শারিবা সনামহি কীওং শাবদা থৌদাং কয়া লৌরম্বা ওজা সাইরেম নিলবিরনা লৈখিদবদা যুনিয়ন ওফ সোসিয়েল অপলিফটমেন্ত খুরাই লমলোং কৈথেলনা অৱাবা ফোংদোরক্লি। লুপ অসিনা থাদোরকপা অৱাবা ফোংদোরকপগী চেরোলদা হায়- ওজা নিলবিরনা ইনাৎ লাইনিং হিংগৎ ইহৌদসু অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরম্মী। মহাকা ইনাৎকা মরী লৈনবা লাইরিক কয়াসু ইদুনা ফোংলম্মী। মহাকা লৈখিদবদা লুপ অসিগী থৌমীশিংনা মীনিত অনি তুমিন্না লৈপ্তুনা ইকায় খুমবসু উৎখি।

**---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**অরজ্ন মুন্দাঃ** কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফ্যারস মন্ত্রি অরজ্ন মুন্দানা হায়রি -লৈবাক অসিগী নিংতম লানদা শরুক য়াখিবা ত্রাইবেলগী অথৌবা লুচিংবশিংগী পুন্সি ৱারি কুপথানা থীজিনবা অমদি নৈনবগী তঙাই ফদবা লৈ।

ন্যু দিল্লিগী জান্দেৱালানদা পাঙথোকপা ভারত্যা অদিম জাতি সেবক শঙ্গাগী নৌনা শাখিবা ওফিস বিল্ডিং শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী অরজ্ন মুন্দনা হায়- লৈবাক অসিদা মুগলনা পানবদগী হৌরগা বৃটিশ রাজ মতম ফাওবদা ত্রাইবেল লুচিংবশিংনা ভারত্কী নিংখাতম্বগী ইহৌদা শরুক য়াখিবগী শাংলবা ইতিহাস লৈ। ত্রাইবেলশিংগী নাৎ, কালা সংস্কৃতি অমদি ইতিহাস নিংথিনা য়োকখৎতুনা থম্বা অমদি চাউখৎহনবগী তঙাই ফদবা লৈ। থৌরমদুদা শ্রী মুন্দানা থক্কর বাপা হায়না খঙনবা সোসিয়েল ৱাকর অমৃটলাল থক্করগী মুর্তি অমসু মায়খুম হাংদোকখি। লৈবাক অসিগী মীয়ামা মখোয়গী শক্তম অমদি কালা সংস্কৃতি নিংথিনা ঙাক্তুনা থম্লবা মতমদতা লৈবাক অসি চাউখৎপা ঙমগনি হায়না মহাকা মখা তাখি।

**দি.জিঃ** মৌশামি চক্রাবোর্টিনা এন.এস.দি-এ.আই.আর ন্যু দিল্লিগী দি.জি(নিউজ) ওইনা থৌ পুরগনি। এন.এস.দি.-এ.আই.আরগী প্রিন্সিপাল দি.জি বসুদা গুপ্তনা থবক্তগী পোথাখিবগা লোয়ননা মৌশামি চক্রাবোর্টিনা ফম অসি অমুক পুগদবনি। মহাক হান্না এন.এস.দি-এ.আই.আরগী ও.এস.দি ওইনা থৌ পুরম্মী। শ্রীমতি চক্রাবোর্টি ইং ১৯৯১গী ইন্দিয়ান ইনফোর্মেসন সার্ভিসকী ওফিসারনি। অমরোমদা, সেফালি সরননা পি.আই.বি ন্যু দিল্লিগী দি.জি (এম এন্দ সি)ওইরগনি। ইং ১৯৯০ বেজকী আই.আই.এস ওফিসর অসিনা পি.আই.বি ন্যু দিল্লিগী প্রিন্সিপাল দি.জি (এম এন্দ সি)গী চার্জসু পুগনি হায়রি। মসিগী মতাংদা কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাস্তিং মন্ত্রিলয়গী অন্দর সেক্রেটরিনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

**জয়শঙ্করঃ** কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডা: এস. জয়শঙ্কর থা অসিগী ২৩ দগী হৌদুনা নুমিৎ ৫ নিগী খোংচৎতা শিঙ্গাপুর,ফিলিপিন্স , মালেসিয়াদা খোংশাল্লগনি। মহাক্কী খোংচৎ মনুংদা লৈবাক অহুম অসিগা ভারতকা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱারি শান্নগনি হায়রি।

**অনুরাধাঃ** শকাইরবী শৈশকপী অনুরাধা পাটৱাল ঙসি বি.জে.পিদা য়াওখ্রে। ন্যু দিল্লিদা লৈবা দল অসিগী হেদক্বাটরদা অচম্বা থৌরম অমদা দলগী জেনরেল সেক্রেটরি অরুন সিংহনা মহাকপু তারমা ওকখি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোক্লে, মথং থাগী ১৯ দগী হৌরগা তাঙ্কক ৭ থোকা ভোট থাদনগনি।

২) মনিপুরগী ওইনা এপ্রিল ১৯ অমসুং ২৬ তা তাঙ্কক অনি থোকা লোক সভা মীখলগী ভোট থাদনরগনি।

৩) অন্দামান্দ অমসুং নিকোবর ইথৎতা চৎকদবা পাউমীশিংগী কাংবু অমা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি ইম্ফালদগী লমথাখ্রে।

৪) লমতাই থাংজাগী শরোই খাংবগী থৌরম মহৌশাগী চৎনবি অমসুং লাইনিং লাইশোনগী থৌরমগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

**অমসুং**

৫) কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফ্যারস মন্ত্রি অরজন্ মুন্দানা হায়রি -লৈবাক অসিগী নিংতম লানদা শরুক য়াখিবা ত্রাইবেল লুচিংবশিংগী পুন্সি ৱারি কুপথানা থীজিনবা অমদি নৈনবগী তঙাইফদবা লৈ।

**--- পাউ লোইজরে---**